থন্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# মণিপুরদা 'সেপ্টেম্বর' করিগী মরু ওইরিবনো?



সেপ্টেম্বর থা অসি মণিপরগী ওইনদি য়াম্না মরুওইবা, কাউঙন্নরোইদবা থা অমনি। থা অসিগী ২১ শুবা নুমীৎ, ১৯৪৯-মনিং তম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈজরবা, মশাগী লৈবাক ঙাকচনবগী লৈঙাক-কাঙলোন (কনষ্টিট্যুসন) লৈজরবা, কাঙলোন'দুগী মতুংইন্না মীখল পাঙথোক্তুনা লৈঙাক থৌদা পুনবা মীহুৎ খল্লবা মতুংদা য়ুমলোন্নবা অচৌবা-অকনবা-লৈবাক-ইন্দিয়া'না, ফম তারবা মণিপুরগী নিংথৌবু হান্নমা শেম শারবা 'য়ান-ৱারোল' অমদা খুৎয়েক পীহন্দুনা-'মণিপুর'- ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইহনখি। মতমদুগী মীরোলনা নুমীৎ অদুবু, অচৌবা লৈবাক অমগী শরুক অমা ওইরবা, নুংঙাই-য়াইফবতা মশরুক ওইরগদবা জুগ অমা হৌরবনি খন্দুনা হরাও-মথোয় কাদুনা থাবল চোংখিবগী ৱারী থেংনরগসু, ঙসিগী মীরোল অসিদদি, নুমীৎ অসিদগী লমদমসিগী মীয়ামগী অমম্বা নুমীৎ হৌখিবনি খন্দুনা 'নুংশুক নুংজানবা নুমীৎ' অমা ওইনা নীংশিংনরি।

'মর্জর-এগ্রীমেন্ট' খুৎয়েক পীনখিবা নুমীৎ অদু সেপ্টেম্বর মনুংদা তাবগী থা অসি লমদমসিগী মীয়াম্না মরুওইবা থা অমা ওইনা লৌবা নত্তে। অতোপ্পা মরম অমসু লৈ। মদুদি, মপা-মপু-অথৌবশিংবু ঈরাৎপা হৈতবা, হিরো-ৱোর্সিপ ত্রেদিসন লৈতবা লমদমসিগী মীয়াম্না তম্বা-নুপা অমখকপু মখোয়গী লুচিংবা (হিরো) নি হায়রকখি, নুপাদুগী পোকপা-শিবা কোরৌ নুমীৎ অনীমক- সেপ্টেম্বর থা মনুংসিদা তাই। পোকপা নুমীৎ- সেপ্টেম্বর ৩০, ১৮৯৬; শিবা নুমীৎ- সেপ্টেম্বর ২৬, ১৯৫১। মহাক্তুদি অতৈ কনা নত্তে, জন-নেতা মিঙ্গৌনবা হিজম ইরাবত'নি। লাইপোক'কুম্বা মীওই কয়া পোকখ্রবসু কনাবুসু শিংথাদবা, মপা-মপু-মপুঋৌগী মীথোয় মীহেন ৱারীদবু শিদোক্লগা ইথোকপা, শেমদোক্লবা ৱারীদুবু লারৈ-কোন'গুম কোনশিল্লগা থুপচাননা থম্লম্বা ৱারীনি খন্না লীথোক্লগা পেনজবা, পুৱারী অশেংবা অমত্তা ইথোক্তুনা থম্লমদবা, চহী লীশিং অনী হেন্না লীরবা পুৱারী লৈ হায়নদি চাউথোকচবা ফুরুপসিনা কাইনথংদা ইরাবতপুদি মখোয়গী অশেংবা লুচিংবা, অচঙবা মীনি য়ানরকখি। মহাক্কী ৱারী লেপ্পা লৈত' লীনরকখি। ৱারীদুদই খঙলকপা থৌদোক ময়াম নীংশিংলুরগা 'সেপ্টেম্বর'বু 'ইরাবত নীংশিং থা' হায়দুনা পালন তৌনরকই। সেপ্টেম্বর থানা মরুওইরিবা ইরাবত'না মরম ওইরগনি। সেপ্টেম্বর ২১ দা অমম্বা নুমীৎ ওইরল্লিবা, কুপ্পা থিজিল্লুরগদি খঙলকই- ১৯৪৯, সেপ্টেম্বর ২১ দা মর্জর-এগ্রীমেন্ট'তা খুৎয়েক পীনখিব'দুখক্কী ওইরমদে। নুমীৎতুগী চহী অমগী মমাঙ চপ চানা, সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৮, ইরাবত'না অনৌবা মণিপুরগী য়ুম্ফম থোন্নবা, চহীদুগী জুলাই থাদা পাঙথোকপা মণিপুর এসেমব্লী-ইলেক্সন'দা উৎলৌ এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদগী মায় পাক্লবা মতুং, এম এল এ ওইনা ৱাশক লৌদ্রিঙৈ, মীয়াম মরক্তগী লোৎপা তাখিবা, মীরোৎ ওইনা অন্দরগ্রাউন্দ'দা পুন্সি লেনবা তাখিবা নুমীৎ ওইখিবদুদগীনি। লৌমী-শিন্মী, লায়রবা মীয়ামগীদমক্তা নুংঙাই-য়াইফ-অৱাংবা ফম থাদোকখিবা লুচিংবা অদুনা, নিংথৌ লৈঙাক লোইরগা মীয়াম-লৈঙাক ওল্লকপা চিরবা তানফম অদুদা মীরোৎ ওইনা লৈরমদ্রবা, মতমদুগী লৈঙাক্লা মাবু মশক খঙলল্লবা, ঐহাক থাজৈ- মণিপুরগী অতিয়াদা অতোপ্পা কোরৌ অমা থোক্লমগনি। লৈবাকসিগী পুৱারী পুমখেন খেন্নরমগনি।

মহারাজ চুরাচান্দগী ময়াম্লুং ইবুংঙোগী মচা-ইবেম্মা খোমদোনসনা লৌদুনা, কাখিবদা দোলাই তোং কুল্লকপদা শামু তোং- লৈবাক পুম্বনা কল্লক্লবা পুন্সি অমা লেল্লম্বদু, মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা নিংথৌকোনগী থৌশিলশিংদু শিংনদুনা ৱাংলবা ফমদু থাদোকখিবা থৌওংদুনা নিংথৌকোনগী অঙম অথৌশিংগী পূক্লিং অদু নুংঙাইহল্লম্লোই। নিংথৌনা তাবদা নাকোং ৱাই-চিনবা ৱাহৈ খরা চীরোন ওইনা ঙাঙলমগনি শোয়দনা। হৌনশানি- মাগী ৱাঙাঙ খুদিং, খোঙথাং খুদিং নিংথৌদা মরিং-মরাংলকপা। নিংথৌনা থৌপুরেল ওইরগা ইরবাত'না মথঙখনবা ওইবা 'নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা', মথৌ চিনবা নিংথৌ ওইবনা, মহাসভা অদুগী মরুওইবা মীফম (সেসন) মরি নিংথৌ য়াওবা ঙমখিদে, মথঙ খনবা ইরাবত'না থৌপু ওইনা পাঙথোকপা চীংঙা-মীফম অদুদা লূপ অদুগী মমিংদগী 'হিন্দু' হায়বদু লৌথোক্লগা 'নিখিল মণিপুরী মহাসভা'। (এন এম এম) হায়না ওন্থোকখিবা, লোয়ননা, তপ্পা তপ্পা 'এন এম এম'বু পোলিটিকেল পার্টি ওন্থোরকপা ... অসিনচিংবা থৌওংসিনা নিংথৌনা ইরাবতপু পেন্দনবগী মচাক হেনগৎলকখি, ওভর-এমবিসিয়স ওইবা রাজনিতিগী খোঙথাং অমনি লৌরকখি।

ইকুই কুইদনা তুংইন্নরকপা 'নুপীলান'গী থৌদোকশিংদা ইরাবত'না লৌখিবা থৌদাংশিং, মীচম-মীয়াম-নুপীশিংনা পেনজরবসু লৈঙাক-মপু ওইরিবা নিংথৌনদি পেনবা হৌনদে। ১৯৪০ গী অঙনবদা য়াইস্কুল পুলিস লেন'দা ইরাবত'না ঙাঙখিবা ৱাঙাঙ (স্পিচ) অমনা মরম ওইদুনা পুলিস'না ফাখি। সিলহেত তান্না পুদুনা মফমদুগী কৈশুমশঙ'দা থমখি। কৈশুমশঙ'দুদা শকখঙনখিবনি- হেমন্ত বিশ্বাস অমদি জ্যোতিরময় নন্দিগুম্বা কম্যুনিষ্ট লুচিংবশিংগা। ময়া থৌরবা থাঙশাংগুম্বা ইরাবতকী পোলিটিকেল আইদিয়াশিংদু হেন্না মথৌ শঙবগুম থোকখি। মার্চ ২০, ১৯৪৩-কৈশুমশঙদগী মিয়াৎ লোইদুনা থাদোরক্লবদা, মণিপুরগী পোলিটিকেল ওথোরিটি তশেংনা কিরে- ইরাবতপু মণিপুরদা চঙহল্লকপা। খল্লম্বা য়াই- মহাক্কী লীচিং মখাদা লায়র-অনঙ অমদি অরানবা পোলিটিকেল এদমিনিষ্ট্রেসনগী চৈথেঙ ফংলবা মীয়াম, মরুওইনা নুপীশিং, লৈবাক ঈরাং শাগৎলকপা য়াই। লমদমসিগী লুচিংবা অমা, মীরৈবাক্কী কৈশুমশঙদা মিয়াৎ অমা লেল্লুবা মিয়াৎ অদু লোইরগা ময়ুম-লমদমদা হল্লকপা য়াহনখিদে। লমশি শিয়ু হায়বরা?

কয়ারক হন্না হায়জরবা তুং, চহী মঙা হেন্না মীগী মীরম' অদুদা উচেক্লুম কোইপাই পাইরুরবা মতুংদা, থৌজাল হৈরবা মণিপুরগী নিংথৌ-মন্ধাক ইবুংঙোগীদমক মীনুংশি পোক্লক'মাল্লে-চয়োল অমখক্কী মতম, মণিপুরদা চঙলক্লবা অয়াবা পীখি- ১৯৪৫, সেপ্টেম্বরগী ২ দগী ১০ ফাওবা। মখা তানা মতম খরতংগা লৈথদুনা মরুপ মপাং উন্নজগে য়াখিদে।

অদুগুম্বা মীশক্তু ঙসিদি হায়রি লৈঙাকসিনা- 'মহাক মীয়ামগী লুচিংবনি'। কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা হায়রম্মী, মহাক নেহরুনা পীবা স্পিচ'সু, ইরাবত'না পীবা ভাষনসু, অনীমক মুন্না তাহৌই, মমিৎমক্লা উহৌই, অনীদু পুন্না ফম্মিন্নহল্লবা ইরাবতকী মঙালদা নেহরু পুম্মম মমখিনি।

লৌশিং পুক্কে

# দেট রেপ দ্রগ- কেটামিন



কেটামিন হায়বসি মীওইবা অমসুং শাশিংদা পূক্লিং-ৱাখল পোৎথাহনবা অমসুং চৈনাখোল কোকহনবা হীদাক মখল অমনি। হোস্পিটালদা অনা-লায়েংগী লমদা শীজিন্নবা হীদাক মখল অসি কনাগুম্বনা অরানবা মওংদা শীজিন্নবা য়াওই।

অনা-লায়েংগী লমদা অখঙ-অহৈশিংনা অকক্লবা চাংদা শীজিন্নবদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈতবা হীদাক অসি অরানবা মওংদা শীজিন্নরবদি কা-হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই। তোয়না শীজিন্নরবদি লায়চুখিদুনা থাদোকপা ঙমদে।

ভেটেরিনরি মেদিসিনদা পাক-শন্না শীজিন্নবা, করিগুম্বদা মীওইবদসু ওপরেসন মচা-মশু তৌবদা শীজিন্নবা হীদাক অসিনা কনাগুম্বা মীওই অমবু অকোয়বগী ফীভমগা শম্নহন্দনা তোখায়বা তাইবং অমদা লৈবগুম ফাওহল্লি। "এক্সটেসি"গা মান্নবা মওংদা "ক্লব দ্রগ" ওইনা শীজিন্নবা ময়াই কাবা পোৎলম অসি "দেট রেপ দ্রগ" হায়নসু খঙনৈ।

কনাগুম্বনা হীদাক অসি নুংশিনবী নৎত্রগা খঙন-চান্নবী নুপীদা থক্লবা মহী অমদা য়ানশিল্লগা পীথকপা মতমদা নুপী অদু ৱাম্থবা নৎত্রগা ৱাখল মাঙবদি তৌদনা অতোপ্পা তাইবং অমদা লৈবগুম অকোয়বদা থোক্লিবা থৌদোকশিং খঙবা ঙমদে। মতমদুদা নুপী ওইবীগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবদা মখল অমত্তগী অপনবা অথিংবা পীরক্তে হায়রি। মসিমক্লা মরম ওইরগা হীদাক অসিবু "দেট রেপ দ্রগ" হায়না খঙনবনি।



মীওইবদা য়া শৎপা, কার্দিয়া কেথেটরাইজেসন, টেটু য়েকশিল্লবা উনসা খোৎথোকপা, অতেকপা শরূ শম্বা অমসুং ওপরেসন মচা-মশু তৌবদা চৈনাখোল ফাওহন্দনবগীদমক কেটামিন শীজিন্নৈ।

কনাগুম্বা মীওই অমদা হীদাক অসি পীথকপা নৎত্রগা কাপশিনবা মতমদা মীওই অদু তুম্নিংবা ফাওরকই; তাবা ঙম্বা অমসুং উবা ঙম্বগী মওং মতৌ হোংলকই; ৱাখলনা শাগৎলগা মীৎতা থৌদোক কয়া মশেন-মরাং উরকই; ৱাখল চমম্নরকই; হকচাংনা মফম অমদা লৈহৌরগা ৱাখলনা অতোপ্পা মফম অমদা চৎখিবগুম ফাওরকই; ৱাখল খনবা ঙম্লক্তে; চানিং-থক্লিংবা ফাওরক্তে অমসুং হকচাং লেঙবা ঙম্লক্তে।

নহারোলশিংনা পার্টি তৌবদা হেক হেক শীজিন্নবা দ্রগ অসিবু তোঙান তোঙানবা মিংথোল পীরি। খরদং পল্লবদা কেট ভেলিয়ম, কিটকেট, স্পেসল কে, হোর্স ট্রাংকুইলাইজর, কেট, পর্পল, সুপর কে, জেট অমসুং দেট রেপ দ্রগ অসিনচিংবনি।

শীজিন্নবগী মওংদি গুলি ওইনা য়োৎশিনবা; মকুপ তানা শুগায়রগা নাতোলদা চিংশিনবা; চুরূট নৎত্রগা গঞ্জাগা য়ান্নরগা মৈখু ওইনা চিংশিনবা য়ু নৎত্রগা মহী অমদা থীৎলগা থকচিনবনি। য়োৎশিনখিববু ওইরবসু, মকুপ ওইনা নৎত্রগা মৈখু ওইনা চিংশিনখিববু ওইরবসু কেটামিননা মথৌ তৌরকপগী মওংদি চপ মান্নে। মীৎকুপ খরগী মতুংদা হকচাং লেঙবা ঙমদে। হকচাংনা মফম অমদা লৈহৌরগা ৱাখলনা অতোপ্পা মফম অমদা চৎখিবগুম ফাওহল্লি। থৌওং অসিবু 'কে-হোল' দা লৈবা হায়না খঙনৈ।

থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংথিবশিংদি মশা-মথন্তা অশোক-অপন নংহঞ্জবা, অচুম-অরান খন্থবা ঙমদবা, মীনা এটেক তৌরকপদা ঙাকথোকপা ঙমদবা, ফুরক্লবসু চৈনাখোল ফাওদবা অসিনচিংবনি। মতম শাংনা নুমীৎ খুদিংগী কেটামিন শীজিন্নবা থোক্লবদি ব্লাদর, কিদনি অমসুং চাকখাউ শোকহনবগা লোয়ননা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই মাঙখিবা য়াই।

খুদোংথিনিংঙাই ওইরিবদি কনাগুম্বনা কেটামিনবু 'দেট রেপ দ্রগ' ওইনা নুপী ফল্লানবদা খুৎলায় অমগুম শীজিন্নরকপগী মতাংদনি। নুপী মশানা ফনা য়াজদ্রবসু কেটামিন হাপচিল্লবা চা নৎত্রগা কোফী নৎত্রগা সোফ্ট দ্রিঙ্ক থক্লুরবদি অপাম্বা মওংদা ফল্লানবগী থৌওং চথবদা নুপী মশানা অপনবা-অথিংবা অমত্তা পীরুবা ঙমদে। হীরম অসিদা নুপী ওইবীশিংনা চেকশিনবা য়াম্নামক তঙাইফদে।

# পোলোগ্রাউন্দ মনাক্কী দ্রেন শেমজিন্দবনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮(ঐচএনএস): ইম্ফাল সিটিগী মীয়ামগী মীৎয়েংফম অমা ওইরিবা মপান কাংজৈবুংগী অকোয়বদা লৈরিবা ঈরম-নালাশিং নীংথিনা মতম চানা রিপ্যারিং তৌবীদবদগী হৌজিক মফম কয়াদা কায়বগা লোয়ননা অমোৎ অকায়না পীক থল্লে।

নোংমদা মীওই কয়া মপান কাংজৈবুং অসিদা শান্নবা লাকপগা লোয়ননা য়েংবসু লাক্লরিবনি। অদুবু মপান কাংজৈবুংগী অকোয়বা অমদি মনুংগী ৱাল মনাক্লচিংবা অসি শেংদোকপীদবনা হৌজিক অমোৎ অকায়গী পৈফম ওইরে। ইম্ফাল ফায়র ব্রিগেদ সর্ভিসকা থংনবা কাংজৈবুংগী মখা থংবা ৱালগী মনাত্তা লৈরিবা দ্রেন মথত্তা কুপলিবা আর সী সীগী ফম্পাক অসি অয়াম্বা কায়বদগী মীয়াম্না খোঙনা ৱাকিং চৎনরম্বা অদু হৌজিক্তি চৎপা য়াদ্রে। নোং কন্না চুবা মতমদা ঈরম নালা মনুংদা পৈশিন্দুনা লৈরিবা অমোৎ ময়াম অসিনা ঈশিং চেন্থোকফম লৈতদুনা প্লেগ্রাউন্দ মনুংদা ঈশিং তুংদুনা লৈরি। হৌজিক মীয়াম্না চৎথোক চৎশিনদা য়াম্না মরু ওইরিবা ফূট পাঠকী শরুকশিং মথক থংবা ফম্পাক অয়াম্বা কায়দুনা লৈরিবা অসি মেনশিনহন্নিংবগী অপাম্বা মফম অসিদা তোয়না ৱাকিং চৎলিবা মীয়াই চল্লবা অহল অমনা ফোঙদোরকখি।

মসিদা নত্তনা পোলোগ্রাউন্দগী অৱাং থংবা অমদি মনিং থংবা নাকলদসু অমোৎ অকায় পৈশিনবা অমদি ৱাল মনাত্তা নাপীনা খুকউ য়ৌনা হৌরিবা অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মতম চানা শেংদোকপীদবনা মীয়ামগী মীৎয়েংফম ওইরিবা পোলোগ্রাউন্দ অসি নোংম নোংমগী মোৎশিল্লক্লে। মফম অসিদা অয়ুক অমদি নুমিদাংৱাইরম নহা অহল কয়ানা ৱাকিং চৎনবগা লোয়ননা পীক্লিবা নুপামচা কয়াসু শান্নফম ওইরিবনি। অমরোমদা, ইম্ফাল সিটিবু তরু তনানবা মফম অমা ওইহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা পায়খৎলম্বা থবক থৌরমশিং অদু মখা তানা চথুহন্নিংবগী অপাম্বসু মীয়াম্না ফোঙদোক্লরক্লি।

# দ্রগ শীজিন্নবা মীওই অনী ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮(ঐচএনএস): লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (লেৱা) অমসুং ৱাই দি সী ক্লবনা দ্রগ চাবা মীওই অনী থা অসিগী ২৭ কী নুমিদাংৱাইরমদা সঙ্গাইয়ুম্ফম চেরাপুরদগী ফারে হায়রি।

লেৱাগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, দ্রগ চারম্বদগী ফারবা মীওই অনী অদুদি, হৈরোক্তগী লাইশ্রম জেৎ এলিয়জ ইঙোচা (২৩) অমদি হৈরোক লিতান মখোঙদগী লাইশ্রম বিকিম (২৩) নি। মখোয় অনীমক হেরোইন নম্বর ফোর চিংলম্বদগী ক্লব অনী অসিগী মেম্বরশিংনা থেংনদুনা ফাবনি। সঙ্গাইয়ুম্ফম হায়রিবা খুল অসিনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী অচৌবা মকোল ওইরিবা অসি ক্লব অসিনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা পোকই হায়রি।




# শিব সেনানা এম ঐচ আর দিদা চে থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮(ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না শিব সেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী মায়কৈদগী য়ুনিয়ন হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্টরদা চে থাখ্রে।

শিব সেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী মায়কৈদগী য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্টরদা থাখিবা চেরোল অদুদা পল্লিবা মপূং ওইবা ৱাফমদি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা থোক্লিবা ইস্যু অসিনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিদা ঈরাং কয়া লৈরি। মহৈরোয় অমদি ওজা কয়া ফাজিনবগী থৌদোকসু লৈরি। ষ্টেট অসিগী হায়র সেকেন্দরি অমদি কোলেজশিংগী মহৈ-মশিন তম্বগী এটমোস্ফেয়রদসু অকায়বা কয়া থোক্লি। অথুবদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রি।







